
# গুরুসাই দত্ত, প্রটুল জোসি অমসুং হর্সিল দানিনা কনাদা ওপনগী অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে



কালগরি, জুন ২৯ :

ইন্দিয়াগী শট্টলরশিং আর এম ভি গুরুসাই দত্ত, প্রাটুল জোসি অমদি হার্সিল দানিনা মফম অসিদা চত্থরিবা য়ু এস দি ৫০,০০০ গ্রান্দ প্রি-বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট (কনাদা ওপন) দা মখোয় মখোয়গী লম্বাশিং মায়থীবা পীখিদুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

গ্লাসগো কম্মনৱেলথ গেমসকী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট গুরুসাই দত্তনা ওষ্ট্রিয়াগী আর দিজর গনেদটপু মিনিট ১৮ চঙনা শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেচতা ২৭-৭, ২১-৬ তা মায়থীবা পীদুনা সেকেন্দ রাউন্দ চঙখি। সাইগুরু দত্তনা মথংগী মেচতা লোকেলগী শট্টলর জোনাথন লাইগা মায়োক্নদুনা লম্বা তৌনগনি।

অতোপ্পা নুপাগী শিঙ্গল মেচতা প্রটুলনা কনাদাগী বাইরোন বোলোকপু ২১-১৩, ২১-১২ দা য়াম্না লায়না মায়থীবা পীদুনা সেকেন্দ রাউন্দ চঙখি। প্রটুলনা মথংগী রাউন্দদা স্কোটলেন্দগী অলিষ্টিয়র কেসিগা মায়োক্নদুনা শান্নগনি।

নুপাগী শিঙ্গল মেচতা হর্সিলনা মশক থোক্লা শান্নখিদুনা কনাদাগী টিমোথি সিয়ুবু ২১-১১, ২১-১৪ দা মায়থীবা পীদুনা সেকেন্দ রাউন্দ চঙখি। অদুবু মহাক্কী সেকেন্দ রাউন্দদা মায়োক্নদুনা শান্নগদবা ভিএটনামগী টিয়েন মিন ঙুয়েননা ৱিথদ্রো তৌখিবদগী সেকেন্দ রাউন্দগী মেচ শান্নদনা মথংগী রাউন্দগীদমক খুমাঙ চাউশিনখি।

ওপন অসিদা শরুক য়ারিবা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শট্টলরশিং সেকেন্দ সীদেদ ঐচ এস প্রানোয়না মহাক্কী অহৌবা কেম্পেন্দা স্বিদেনগী মাটিয়স বোর্গকা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি। অদুগা টোপ সীদ অজয় জয়রাম্না কনাদাগী মার্টিন জিওফ্রিগা লম্বা তৌনগনি।

মরিশুবা সীদ বি সাই প্রানিটনা চাইনিজ টাইপৈগী কান চাও য়ুগা মায়োক্নদুনা লম্বা তৌনগনি।

নুপীগী শিঙ্গল মেচতা টানভি লাদনা মহাক্কী অহৌবা কেম্পেনদা দেনমার্ককী জুলি ফিন-ইপসেনগা লম্বা তৌনদুনা শান্নগনি। কুমজা ২০১৫ গী নেসনল চেম্পিয়ন রুথবিকা সিবানি গাদেনা কনাদাগী কেলৈঘ ও দোনোগুগা মায়োক্নদুনা শান্নগনি।

মিক্স দবলসকী ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী জুরা মানু আত্রি অমদি অশ্বিনি পোনাপ্পানা লোকেলগী জুরা বাইরোন হোলেট অমদি ইরিন ও দোনোগকা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি।

# খোঙ তেকপগী চৈশুদগী ওলেম্পিক্সতা চঙলকখিবী সুসিলা পুখ্রম্বম



ন্যু দেল্লি, জুন ২৯ :

চৎলিবা চহী অসিগী মার্চ থাদা ন্যুজিলেন্দদা পাঙথোকখিবা হোর্কস বে কপকীদমক ইন্দিয়াগী স্কাদতা ভাইস কেপ্তেন ওইনা খল্লকখিবা চয়োল অমগী মতুংদা সুশিলা চনু পুখ্রম্বমনা মহাক্কী য়েৎ থংবা খুউগী শরুশিং শম্ন হল্লিবা শিংলী-নাউরিশিং শোকখি।

নুমিৎ অদু হোলি নুমিৎনি অমদি মশাগী চহী ২৪ শুরবী অসিনা মহাক্কী অশোকপনা মরম ওইদুনা ওলেম্পিক্সকী শেম শাবা ঙম্লরোই হায়না লাংতক্লবা অমদি অৱাবা পোকখি।

নুমিৎ নীনিগী মতুংদা মহাক্না ইন্দিয়াগীদমক মেচ ১০০ শান্নখিবগীদমক হোকি ইন্দিয়া এৱার্দ পীখি। এৱার্দ অদু লৌবদা সুশিলানা খোঙ তেকপগী চৈশু পায়দুনা ষ্টেজদা চঙলক্লগা এৱার্দ অদু লৌখি। মহাক্কী তুংদা থোক্কদবা অকিবশিং হৌখ্রে অদুম ওইনমক মহাক্কী মফমদি হোংখি।

মে থাগী অরোইবা চয়োলদা দার্ৱিনদা পাঙথোকখিবা লৈবাক মরিগী ওইবা ফোর নেসন্স টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়ন টিমবু সুশিলানা লুচিংখি। মহাক অথুবদা মহাক্কী অশোকপা অদু ফগৎখি।

সুশিলা চনু পুখ্রম্বমনা হায়খি, নুমিৎ নীপান্নি চঙনা ফিজিওনা ঐহাকপু কুপ্না য়েংশিনবীখি। মখোয়না ঐগী শেৎনবগীদমক ইংলেন্দদগী ব্রেস লৈদুনা পুবিরকখি। ঐহাক হৌজিক ১০০ দা ১০০ ফরে অমদি শান্নবদা হল্লক্লে হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি। হৌখিবা চহী অনী অসিদা সুশিলানা মশক থোক্লবা জুনিয়র প্লেয়রদগী মগুন লৈরবা মেম্বর অমা ওইনা সেনিয়রদা চঙবা ঙমখি।

নেসনল ৱিমেন'স কোচ নেইল হোগুদনা হায়খি, মহাক্কী কুপ্না খঙগনবা মতৌদা ঐঙোন্দা কয়াদা চান্নজখ্রবা। মহাক্না এলিট স্পোর্টসকী মরমদা নিংথিনা খঙই। মহাক অসি ফেলফ-দ্রাইভননি অমদি মহাক মশামকপু থাক ৱাংনা থাজজবা মীওইনি। এ সি এলদগী মহাক্না ফগৎলকপদা চয়োল নিপান্নি চঙখি অমদি শান্নবদা হল্লত্তুনা টোপ লেভেলদা শান্নরি। মসিনা মহাক কয়াম য়াম্না কথোকপগে হায়বদু উৎলে অমদি এথলেট অমা ওইবদা ঐখোয়না কয়াম য়াম্না কথোকপা চঙবগে হায়বদু খঙলে হায়না মখা তানা হায়খি।

রিও ওলেম্পিক্সকী মাঙওইননা হাফবেক অসিনা মশা ফিট ওইনা হল্লকখিবা অসি নুঙাইরবা পাউ অমনি। ইন্দিয়াগী নুপী টিমনা চহী ৩৬ কী মতুং অহানবা ওইনা ওলেম্পিক্সতা শরুক য়ানবা শেম শাবগী থবক চঙশিল্লি।

সুশিলানা হায়খি, ঐনা মতম পুম্নমক্তা ওলেম্পিয়ন অমা ওইবা পামখি। ঐখোয়না অকনবা মওংদা হোৎনদুনা হৌজিক্তি ক্বালিফাইদ ওইবা ঙম্লে। হৌজিক ঐখোয়না রেঙ্কিং ১৩ শুবদা লৈরিবনা প্রেসর খরসি মায়োক্নরি। অদুবু ঐখোয়না মশক থোকপা পার্ফোমেন্স পীগনি হায়না মখা তানা হায়খি।

হন্দক্তা উৎখিবা পার্ফোমেন্সকী রিজল্টতা অপেনবা ওইবদি ঙমখিদে। টিম নিপান্না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা হোক'স বে কপ্তা ইন্দিয়ানা কনাদাখক্তমক মায়থীবা পীবা ঙমখি অমদি তরুকশুবা পোজিসন তাখি। মদুগী মতুংদা ইংলেন্দগী সেরিজদা মায়থীখি অমদি মতুংদা লৈবাক মরিগী টুর্নামেন্টতা টিমনা মরিশুবা পোজিশন দা লৈখি। মদুদা জপানগী মখূৎতা প্লে ওফ মেচতা মায়থীদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংহৌখিদে।

সুশিলানা হায়, ঐখোয়না খঙজিল্লে, অসিগুম্বা চপ মান্নবা অশোয়বা অসি ঐখোয়না অমুক তৌররোই। লৈবাক মরিগী টুর্নামেন্ট অদুদা কেপ্তেন অমা ওইনা ঐনা নিংথিনা শান্নখি হায়বসি ইশানা খঙজে। ঐনা করিগুম্বা নিংথিনা শান্নখিদ্রবদি অতোপ্পনা ঐহাক ফজনা শান্নখিদে হায়না হায়গনি। ঐনা মদুগী ৱাঙাঙ অদু পামদে হায়না ফোঙদোকখি।

সুশিলা অসি ইম্ফালগী ঈকাই খুম্নবা, নোল্লুকপা ইমুংদগী হৌরকখিবনি। ইম্ফালদা মহাক্কী মনে অমা ষ্টেটকীদমক হোকি শান্নরি।

কুমজা ২০১৩ দা মহাক্কী জুনিয়রগী কেরিয়রদা মতোল লোম্না কাবা ঙমখি। মতম অদুদা সুশিলানা লুচিংদুনা জুনিয়র ৱর্ল্ড কপকী ব্রোঞ্জ মেদল লৌরকখি।

সুশিলানা ওলেম্পিক্সতা অশানবা মিৎয়েং থন্নদুনা হায়, ঐখোয়না রিওদা নিংথিনা শান্নবা মথৌ তারি। ঐনা টিম ১২ গী মনুংদা ১২ শুবা মফম কনবা ঙম্লবদি হৌরক্লিবা অঙাংশিংনা ঐখোয়বু য়েংনিংলোই হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# লীওনেল মেসিনা ইন্টরনেসনল ফুটবোলদগী পোত্থানবা ৱারেপ লৌখিববু অমুক হন্না খন্থনবা আপিল তৌনরক্লি



ব্যুইনোস এয়রস, জুন ২৯ :

হৌখিবা নোংমাইজিং নুমীৎতা শান্নখিবা কোপা অমেরিকাগী ফাইনেল মেচতা অর্জেন্টিনানা চিলিগী মখুৎতা মায়থীহৌখিবদগী বার্সেলোনাগী ষ্টার লীওনেল মেসিনা ইন্টরনেসনল ফুটবোলদগী পোত্থানবা ৱারেপ লৌখিবা অদু অমুক হন্না খন্থনবা মালেমগী মশক নাইরবা মীওইশিংনা আপিল তৌনরক্লি।

অর্জেন্টিনাগী ফুটবোল লেজেন্দ দিএগো মরাদোনা অমদি লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট মাওরিসিও মাক্রিনা মহাক্কী ৱারেপ অদু হন্দোক্লবা আপিল তৌখি।

কোপা অমেরিকা সেন্টেনেরিওগী ফাইনেল মেচতা চিলিগী মায়োক্তা শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা টিম অনীমক্লা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নখিদবদগী পেনাল্টি শুট আউট চত্থখি। মদুদা মেসিনা মহাক্কী বোল অদু কাওখিবদা গোল চনবা ঙমখিদবদগী ফিল্ড ময়াইদা নীংঙমদনা ফমদুনা লৈখিবনি।

মায়থীখ্রবা হেক মতুং মতম ইকান কান্নদনা মেসিনা ইন্টরনেসনল ফুটবোলদগী পোত্থারে হায়না লাউথোকখি অমদি মঙোন্দা ঙাওজবা মালেমগী মীয়াম্না পেন্দবা অমদি নুংঙাইতবা ফোঙদোক্লরকখি। কুমজা ২০১৮ দা রসিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা ৱর্ল্ড কপতা অর্জেন্টিনা টিমবু সুপর ষ্টার অসিনা লমজিংদুনা টাইটল লৌনবা মীৎয়েং থল্লিবা অসিবু পান্দমফম খঙদবা মফম অমদা মেসিনা ইন্থরমখি।

কুমজা ১৯৮৬ কী ফিফা ৱর্ল্ড কপতা অর্জেন্টিনাবু টাইটল লৌহনখিবদা চাউরবা দাইত্ব লৌখিবা মরাদোনানা হায়খি, মেসিনা মরৈবাক অর্জেন্টিনাগীদমক মখা তানা থৌদাং লৌগদবনি। মরমদি মেসিনা মখা তানা শান্নবা ঙম্লি অমদি লাক্লিবা কুমজা ২০১৮ গী রসিয়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড কপতা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমগনি হায়বা পান্দমগা লোয়ননা রসিয়াদা চৎকদবনি হায়খি।

বার্সেলোনাগী ষ্টার অসিবু খোয়দাজবা ফেনশিংনা সোসল মীদিয়াগী খুত্থাংদা মহাক্না ইন্টরনেসনল ফুটবোলদগী পোত্থাখিবা অদুগী ৱারেপ লৌখিবা অদু অমুক হন্না খন্থনবা ফোঙদোক্লরকখি।

অমরোমদা, অর্জেন্টিনাগী প্রসিদেন্ট মাওরিসিও মাক্রিসু ময়ামগী খোল্লাও মরক্তা য়াওশিল্লত্তুনা ৱর্ল্ড প্লেয়র মঙারক প্লেয়র ওফ দি ইয়রগী মনা মঙারক ফংখ্রবা মেসিবু মখা তানা অর্জেন্টিনাগীদমক শান্ননবা খঙহনখি।

মশাগী চহী ৫৫ শুরবা মরাদোনানা হায়খি, অর্জেন্টিনাগা হৌখিবা চহী খরা অসিদা টাইটল অমত্তা লৌবা ঙমদনা লাক্লিবা অসি লৈবাক অসিগী ফুটবোল এসোসিএসনগী অচৌবা মরাল অমনি। নোংমাইজিং নুমীৎতা চিলিগী মখুৎতা মায়থিহৌখিবা অদুগীদমক্তসু মেসিবু শৌগৎপীবগী মহুৎ মহাক মথন্তা ইন্থোকপগী থৌওংবু য়াম্না কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

কুমজা ২০১৪ গী ফিফা ৱর্ল্ড কপ ফাইনেলদা অর্জেন্টিনানা জর্মনিগী মখুৎতা গোল ০-১ দা মায়থিহৌখ্রবা মতুং মমাঙ চহীগী কোপা অমেরিকাগী ফাইনেলদা চিলিগী মখুৎতা পেনালটি শুট আউটতা মায়থিহৌখিবনি।

অমরোমদা, অর্জেন্টিনাগী মশক নাইরবা ফুটবোল্লর অগুইরো, মাসচেরানোস, গোঞ্জালো হিগ্বান, লুকাস বিগলিয়া, ইভর বানেগা, ইজেক্কেল লাভেজি অমদি এঞ্জেল মারিয়াবু ইন্টরনেসনল ফুটবোলদগী পোত্থারগনি হায়না পাউগী সোর্স অমনা ফোঙদোরক্লি।

# সবেটলনা কুজনেটসোবা, এন্দি মরে, ৱারিঙ্কা, সেরেনা ৱিল্লিয়মসনা মায় পাক্লা চঙশিনখ্রে







লন্দন, জুন ২৯ :

রসিয়াগী সভেটলানা কুজনেটসো-ভানা মফম অসিদা চত্থরিবা ৱিমল্লেদন চেম্পিয়নশিপকী লৈবাকপোকপা নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা মমাঙগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান কারোলিন ৱোজনিয়াকিবু ৭-৫, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা মথংগী রাউন্দ চঙখ্রে।

সীদ ১৩ শুবদা লৈরিবা ভেটরান অসিনা মহাক্কী চহী অসিগী অহানবা গ্রান্দ স্লাম টাইটল লৌনবা মিৎয়েং থমদুনা চঙশিল্লক্লিবনি। মহাক্না চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা শান্নখিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী অহানবা রাউন্দদা মায়থীহৌখি অমদি রোলেন্দ গারোসতনা অশোকপনা মরম ওইদুনা শান্নবা ফংখিদে।

অমরোমদা নুপাগী শিঙ্গলসতা এন্দি মরেনা মহাক্কী অনীশুবা ৱিমল্লেদনগী টাইটল লৌনবা পান্দম থমদুনা চৎলকখিবগা লোয়ননা ৱর্ল্ডগী অনীশুবা রেঙ্কতা লৈরিবা অসিনা ব্রিটিশকী ৱাইল্ড কার্দ লিয়ম ব্রোদিবু ৬-২, ৬-৩, ৬-৪ দা ঙরাং শান্নখিবা মেচতা মায়থীবা পীদুনা সেকেন্দ রাউন্দ চঙখি।

মরেনা চহী অসিগী গ্রান্দ স্লাম ফাইনেলদা থংনা থংননা অনীরক নোভাক জোকোভিচকী মখূৎতা মায়থীহৌখিবনি। কুমজা ২০১৩ গী ৱিমল্লেদনগী চেম্পিয়ন অসিনা হন্দক্তা মহাক্কী কোচ ইভান লেন্দলগা পুনখিবদগী চেম্পিয়নশিপ অসিগী টাইটল লৌবা ঙমগনি হায়বগী চাউরবা থাজবা অমগা লোয়ননা চঙলকখিবনি। এন্দি মরেনা মথংগী মেচতা টাইৱানগী লু য়েন হসুনগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি।

অতোপ্পা মেচ অমদা ষ্টান ৱরিঙ্কানা অমেরিকাগী টিনেজর টেয়লর ফ্রিটজবু ৱিমল্লেদনগী লৈবাকপোকপা নুমিৎতা শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেচতা ৭-৬ (৪), ৬-১, ৬-৭ (২), ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

স্বিসকী মরিশুবা সীদ অসিনা মহাক্কী খ্বাইদগী ফবা প্লে অদু য়ৌনা শান্নবা ঙমখিদ্রবসু মহাক্কী বেকহেন্দ অমদি এক্সপরিয়েন্সনা মশাগী চহী ১৮ খক্তা ঙাইরিবা নুপামচা অদুবু মায়থীবা পীবদা নাচুংবা লৈখিদে।

ৱিমল্লেদনগী দ্রোদা খ্বাইদগী নহা ওইবা মীওই ওইরিবা ফ্রিটজবু অহানবা সেটতা অকনবা মওংদা তকখৎখ্রবসু ৱারিঙ্কানা টাইব্রেক্তা ৭-৬ (৪) তা মায় পাকখি। অনীশুবা সেটতা ফ্রিটজনা গেম অমখক্তমক মায় পাকখি। সেট অদুদা ৱারিঙ্কানা মায় পাকখি। অহুমশুবা সেটতা মহাক্না অনফোর্স ইররশিং তৌখিদুনা টাইব্রেক্তা ৬-৭ (২) তা ফ্রিটজগী মখূৎতা মায়থীখি। মরিশুবা সেটতা ৱারিঙ্কানা য়াম্না লায়না ৬-৪ দা মায় পাকখি।

অতোপ্পা নুপীগী শিঙ্গল মেচতা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন সেরেনা ৱিল্লিয়মসনা ওল ইংলেন্দ ক্লবতা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা মহাক্কী ৮০ শুবা ৱিমল্লেদনগী মেচ মায় পাকখি।

ৱর্ল্ড নম্বর ৱান অমদি ৱিমল্লেদনগী তরুক্লক চেম্পিয়ন ওইখ্রবা ৱিল্লিয়মসনা মহাক্কী গ্রান্দ স্লাম টাইটল ২২ লৌননবগী চঙশিল্লকখিবা খোঙজংদা স্বিসকী ক্বালিফায়র অমদি ৱর্ল্ডগী ১৪৮ শুবা রেঙ্কতা লৈরিবা অমরা সাদিকোদিকপু ৬-২, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা মথংগী রাউন্দ চঙখি।

সেরেনা ৱিল্লিয়মসনা মথংগী রাউন্দদা ফেলো অমেরিকান ক্রিষ্টিনা মেকহেলগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি। মেচ লোইরবা মতুং সেরেনানা হায়, ঐনা ঐগী মায়োক্লখিবা ওপোনেন্ট অমত্তবু মগুন য়াওদবা ওইনা লৌবা তৌদে। মখোয় ঐগী খ্বাইদগী ফবা ওপোনেন্টনি হায়না লৌই হায়না মহাক্না মখা তানা হায়খি।

# ইন্দিয়ানা আইরলেন্দবু ২-১ দা মায়থীবা পীখ্রে



ভেলেন্সিয়া, জুন ২৯ : ইন্দিয়ানা মহাক্কী ফংখিবা অহানবা মেচতা মায়থীখ্রবা মতুং ঙরাং মফম অসিদা শান্নখিবা সিক্স নেসন হোকি টুর্নামেন্টকী অনীশুবা মেচতা থাক নেম্না লৈরিবা আইরলেন্দবু ২-১ দা মায়থীবা পীদুনা মোমোন মীনোক তমহনখ্রে।

পনবা য়াই, হৌজিক ওলেম্পিক্কী গোল্ড মেদলিষ্ট জর্মনিনা মফম অসিদা চত্থরিবা সিক্স নেসন্স হোকি টুর্নামেন্টকী নিংথৌকাবা নুমিৎতা শান্নখিবা মখোয়গী ওপনিং মেচতা ইন্দিয়াবু ৪-০ দা মায়থীবা পীরমখিবনি।

ইন্দিয়ানা আইরলেন্দগী মায়োক্তা শান্নখিবা মেচ অদুদা ফোরৱার্দ টালৱিন্দর সিংহ অমদি স্কিপর সর্দার সিংহনা মথংশিৎনা মেচকী মিনিট ২২ অমসুং ৩২ চৎপা মতমদা গোল অমমম চনখি। অদুগা আইরলেন্দগী মিদ ফিল্ডর কেলি গুদনা মখোয়গী অমত্তা ঙাইরবা সোলিটরি গোল অদু চন্দুনা ১-২ দা ইন্দিয়াগী মখূৎতা মায়থীহৌখি।

অহানবা ক্বার্টরদা আইরলেন্দনা ইন্দিয়াগী মায়কৈদা অকনবা প্রেসর পীদুনা চঙশিনখিবা এটেক অমদা মখোয়গী মিদ ফিল্ডর কেলি গুদনা মেচকী অহানবা স্কোর ওইনা মিনিট ৪ চৎপা মতমদা গোল অমা চনশিনখিদুনা ১-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি।

জর্মনিগী মখূৎতা মায়থীখ্রবা ইন্দিয়ানা ঙরাংগী মেচ অদুদা মায়োক্লখিবা টিম অমত্তনা গোল চনবা ঙমদনবা অকনবা দিফেন্স তৌদুনা শান্নখি। ইন্দিয়ানা মায়োক্লখিবা আইরলেন্দগী মায়কৈদা মেচকী মিনিট ২২ দা চঙশিনখিবা এটেক অমদা পেনালটি কোর্নর অমা ফংখিবদগী মদুবু ফোরৱার্দ টালৱিন্দরনা গোল ওন্থোক্তুনা ইক্বেলাইজ তৌখিদুনা ১-১ দা চাং মান্ননা লৈখি।

মখা তানা ইন্দিয়ানা তৌখিবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ৩২ চৎপা মতমদা স্কিপর সর্দার সিংহনা গোল অমা চনশিনদুনা ইন্দিয়ানা মাঙজিল থাখিবগা লোয়ননা মেচ অদু মায় পাকখি।

# ইন্দিয়াগী রাজপুটনা আই এস এস এফ ৱর্ল্ড কপতা সিলভর মেদল লৌখ্রে



বাকু, জুন ২৯ : এস শুটর সঞ্জিভ রাজপুটনা মফম অসিদা চত্থরিবা আই এস এস এফ ৱর্ল্ড কপকী লৈবাকপোকপা নুমীৎতা পাঙথোকখিবা নুপাগী মিটর ৫০গী রাইফল ৩ পোজিসন ইভেন্টতা সিলভর মেদল লৌখ্রে।

চৎলিবা চহী অসিগী ওগষ্ট ৫ দগী ২১ ফাওবা পাঙথোক্কদৌবি রিও ওলেম্পিক্সকী মাঙওইননা অরোইবা ওইনা পাঙথোক্লিবা ৱর্ল্ড কপ অসিদা রাজপুটনা ৪৫৬.৯ কাপ্পুনা সিলভর মেদল লৌখি। ইভেন্ট অদুদা ক্রোসিয়াগী পিটর গোর্সানা ৪৫৭.৫ কাপ্পুনা গোল্ড মেদল অমসুং কোরিয়াগী হয়েঞ্জুন কিমনা ৪৪৫.৫ স্কোর তৌদুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখিবনি।

রাজপুটনা ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা নিলিং, প্রোন অমদি ষ্টেন্দিং পোজিসনদা অপূনবা স্কোর ১১৬৭ তৌদুনা তরেৎশুবা মফম কনখি অদুগা ওলেম্পিক ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট গগন নরঙনা স্কোর ১,১৬১ তৌদুনা ২৩ শুবা মফমদা লৈখি। চেন সিংহনা স্কোর ১১৫৯ তৌদুনা ইভেন্ট অসিদা ৩২ শুবা মফম কনখি।

নীংশিংবা য়াই, চহী অসিগী ফেব্রুৱারি থাদা ন্যু দিল্লিগী কার্নিং সিংহ শুটিং রেঞ্জদা পাঙথোকখিবা এসিয়ান ক্বালিফাইয়র্স ইভেন্টতা রাজপুটনা নুপাগী মিটর ৫০ গী রাইফল ৩ পোজিসনদা রিও ওলেম্পিক্সকী মফম অমা কনবা ঙমখি। অদুবু ইন্দিয়াগী শুটিং ফেদরেসননা ওলেম্পিক্সকী সেলেক্সন টাইয়েল অমা পাঙথোক্তুনা ট্রেপ এস মনভজিৎ সিংহ সান্ধুনা ফজবা পার্ফোর্মেন্স পীবা ঙম্বদগী রিওগীদমক খনগৎখি। অদুগা ওলেম্পিক্সতা অনীরক শরুক য়াখ্রবা রাজপুটপু ইন্দিয়ন টিমদা খনগৎখিদে।

অমরোমদা, রিও ওলেম্পিক্সতা শরুক য়ানবগীদমক লাউথোকখ্রবা ইন্দিয়াগী শুটরশিংদি নুপাগী মিটর ১০গী এয়র রাইফল ইভেন্টতা অভিনাব বিন্দ্রা, নুপাগী মিটর ৫০গী রাইফল ৩ পোজিসন, নুপাগী মিটর ৫০ গী রাইফল প্রোন অমদি মিটর ১০ গী এয়র রাইফল ইভেন্টতা গগন নরঙ, নুপাগী মিটর ৫০ গী রাইফল ৩ পোজিসন অমদি নুপাগী মিটর ৫০ গী রাইফল প্রোন ইভেন্টতা চেন সিংহ, নুপাগী মিটর ৫০ গী ফ্রী পিষ্টল অমদি নুপাগী মিটর ১০গী এয়র পিষ্টলদা জিটু রাই, নুপাগী মিটর ২৫ গী রেপিদ ফাইয়র পিষ্টল অমদি নুপাগী মিটর ১০ গী এয়র পিষ্টল ইভেন্টতা গুরপ্রিট সিংহ, নুপাগী মিটর ৫০গী পিষ্টলদা পি এন প্রকাস, নুপাগী ট্রেপতা মনভজিৎ সিংহ সান্ধু অমদি কিনান চেনাই, নুপাগী স্কিটতা মাইরাজ অহমদ খাননি।

নুপীগী মিটর ১০ গী এয়র রাইফলদা অপুর্ভি চান্দেলা, নুপীগী মিটর ১০ গী এয়র রাইফলদা অয়েনিকা পাউল, নুপীগী মিটর ২৫ গী পিষ্টল অমদি নুপীগী মিটর ১০গী এয়র পিষ্টলদা হিনা সিন্ধুনি।


**MANIPUR STATE VETERINARY COUNCIL**

( STATUTORY BODY CONSTITUTED BY GOVERNMENT OF MANIPUR UNDER INDIAN VETERINARY COUNCIL ACT, 1984 )

SANJENTHONG VETERINARY COMPLEX IMPHAL, MANIPUR- 795001.

Tel: 0385-2449143 Fax: 0385-2454928 Email: registrar.msvc-mn@gov.in Website: http://msvcimphal.in

**NOTICE**

Imphal, the 29th June, 2016.

No.MSVC/7/2010-Vety: It is for information of all the Registered Veterinary Practitioners who are enrolled in the Manipur State Veterinary Register maintained under Chapter VII of the Indian Veterinary Council Act, 1984 that in pursuance of rule 3.3 of the Manipur State Veterinary Council Rules, 1987 the Draft Electoral Roll for 8th Election of the Manipur State Veterinary Council scheduled to be held on the 3rd October, 2016 for filling up 4 (four) members of the Council, is published and kept displaying in this office.

All the concerned Veterinary Practitioners are hereby invited to inspect the Electoral Roll in the office hour. Any claim for inclusion of names in the Electoral Roll or objection for removal of names from the Electoral Roll under rule 3.5 of the Manipur State Veterinary Council Rules,1987 will be received till the 30th July, 2016 after which no complain will be entertained.

( Potshangbam Khamba Singh )
*Registrar,*
Manipur State Veterinary Council
Sanjenthong, Imphal.

HL-B/3160/30